# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ কীহোমান

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

**কীহোমান** নৎত্রগা কীহোম-মান হায়রগা কনাগুম্বা খরনা পান্বী অসিবু কীহোম পান্বী মানলমগনি হায়না খল্লম্বসু য়াই। অদুবু পান্বী ২ অসিদি য়াম্না খেন্নখ্রে। মদুদি শাগৈ ফাওবা তোঙাল্লি। অদুবু পান্বী অসিগী খুবী অমুক পাকপা মনাশিং অদুগী মার্জিন হায়বদি অকোয়বশিং অদু কীহোম মনাগী তীঙ্খং পানবগুম্না য়াৎপা অদুদগী শোয়দনা কৌখিবা ওইরমগনি কীহোমান পান্বী অসি। কীহোমান পান্বী অসি ইংলিসতা Hairy slitwort নৎত্রগা Fringed false pimpernel, চাইনিজদা Ci Chi ni hua cao, নেপালিজদা Oonmudia, সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *লিন্দরনিয়া সিলিয়াতা (Lindernia ciliata (Colsm) Pannel)* নৎত্রগা *বোন্নয়া ব্রাকিয়াতা (Bonnaya brachiata Link & Otto)* নৎত্রগা *বোন্নায়া ব্রেক্তিওইদিজ (B. bracteoides Blatt & Hallb)* নৎত্রগা *গ্রেতিওলা সিলিয়াতা (Gratiola ciliata Colsm)* নৎত্রগা *ইলাইন্সেথিস সেরাতা (Ilysanthes serrata (Roxb.) Urb.)* নৎত্রগা *ইলাইন্সেথিস সিলিয়াতা (I. ciliata (colsm) Kuntaze)* নৎত্রগা *ইলাইন্সেথিস পুশিলা (I. pusilla Urb.)* নৎত্রগা *ভন্দেলিয়া ব্রাতিয়াতা (Vandellia brachiata Haines)* নৎত্রগা *ভন্দেলিয়া সিলিয়াতা (V. ciliata (colsm) T. Yangz)* নৎত্রগা *সিরতান্দ্রা পর্সোনাতা (Cyrtandra personata Blanco)* হায়না কৌই অমসুং স্ক্রোফুলারিয়েসী *(Scrophullariaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। অদুবু অতোপ্পা বোটানিষ্ট খরনদি পান্বী অসি তোঙান তোঙানবা শাগৈশিং হায়বদি *লিন্দরনিয়েসী (Linderniaceae), প্লান্তাজিনেসী (Plantaginaceae)* নৎত্রগা *ভেরোনিকেসী (Veronicaceae)* নচিংবশিংদা থমগদবনি হায়না পাউদমলি। অদুম ওইনমক খ্বাইদগী নৌবা পাউদম অমদা কীহোমান পান্বী অসি *লিন্দরনিয়েসী* শাগৈদা চনগদবনি হায়বসিনি। কীহোমান পান্বীগী genera Lindernia হায়বসি জর্মনগী ফাওরবা বোটানিষ্ট Franz Balthasar von Lindern গী মমিং লৌরগা থোনখিবনি অদুসু species কী মমিং Ciliata নৎত্রগা Serrata হায়বসিনা পান্বী অসিগী মনাগী অকোয়বা অদু হোরায় ময়াগুম্না য়াম্না থৌবা অদুদগী থোনখিবনি।



কীহোমান হায়বসি অপীকপা, মশা-মরেং য়াম্না লোংবা লৈমায়দা পাকথদুনা শন্দোক্তুনা হৌবা পান্বী মখল অমনি।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না কীহোমান পান্বী অসি ওষ্ট্রেলিয়া, বংলাদেশ, ইন্দিয়া, ভুটান, কম্বোদিয়া, ইন্দোনেসিয়া, জপান, লাওস, মালেসিয়া, ম্যান্মার, নেপাল, ফিলিপিন্স, শ্রী লঙ্কা, থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম অসিনচিংবা মফমশিংদা হৌই। ইন্দিয়াগী মনুংদা কীহোমান হৌবা মফমশিংদি অৰাং-নোংপোক ভারতকী অয়াম্বা মফমশিং অন্ধ্র প্রদেশ, বিহার, গোৱা, হিমাচল প্রদেশ, কর্ণাটাকা, মধ্য প্রদেশ, ওরিষা, মহারাষ্ট্র, পঞ্জাব, রাজস্থান, টামিল নাদু, ৱেষ্ট বেঙ্গোল অসিনচিংবনি।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা কীহোমান পান্বী অসি খরা চোৎতক তৌবা মফমশিং মরুওইনা ৱাখা, তুরেলগী মপান অমসুং খোংবান-লুপান্দা ফজনা হৌবা থেংনৈ। লৈঙোই অমসুং লৈতান্দা ফজনা হৌবা ঙম্মী। নুংশাগী মঙাল খরা হন্থরপ তৌবা মফমশিংদনা হেন্না চুশিন্ননা হৌবা থেংনৈ। সেপ্তেম্বর অমসুং নবেম্বর থাগী মনুংদা অঙৌবা মচুদা হীগোক মচু চংলপ তৌবা অপীকপা লৈশিং শাৎলি অমসুং য়াম্না পীকপা মহৈশিং পাল্লি। পান্বী অসি এন্যুএল হায়বদি চহী অমখক পুন্সি।

কীহোমান পান্বী অসি কুইরবা মতমদগী হীদাক-লাংথক ওইনা শীজিন্নদুনা লাক্লি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা কীহোমান পান্বী অসি মীওইবগী হকচাংদগী নূং তাহন্নবা হীদাক ওইনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নদুনা লাক্লি। নুঙ্গাই পেরুক, কীহোমান পান্বী, কীহোম মনা, হৈরোংকাপ পান্বী অসি ফজনা চামথোক্লগা গ্রাম ১০-১০গী চাংদা লৌরগা ঈশিং লিটর ২দা শিদামিশ্রী গ্রাম ১০ মুক্কা লোয়ননা পুঙ্খায় অমুক্তং তপ্লা লোন্দুনা শেম্বা মহী অদু নোংমদা গ্লাস ২গী চাংদা অয়ূক্তা গ্লাস অমা অদুগা নুমিদাং চাক তোক্লগা গ্লাস অমগী চাংদা হাপ্তা অনীগুম্বদং চাং নাইনা পীথকপদা মীওইবগী ঈশিং মরীদা অমসুং কিডনীদা লৈবা নূং (Calculi) অসি মচেৎ-মচেৎ কায়হন্দুনা হক্কী ঈশিং চৎপদা য়াওহনখি হায়না মৈতৈ/মীতৈগী অনা-লায়েংদা শীজিন্নদুনা লাক্লি। ইপোরনা কুমজা ২০০১দা পীবা পাউদমগী মতুং ইন্না তাইৱান্দা Menorrhagia হায়বদি নুপীশিংনা থাগী খোংকাপ অসি চাং য়াম্না হেন্না চৎলবদি কীহোমান পান্বী অসি ফজনা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংনৈ। পাউদম অমগী মতুং ইন্না পেনিন্সুলার মালেসিয়াদা নুপীশিংনা অঙাং পোক্লবা মতুংদা থোক্কনবা লায়নাশিং অসি ঙাকথোক্লবগীদমক্তা কীহোমান পান্বীগী মনা অদু শুগাইদুনা লৌরগা মহী অদু চাং নাইনা পীথক্তুনা লায়েংবগী পথাপ অসি চথদুনা লাক্লি।

# ওজাগী নুমিৎ অসি কনানা কনাগীদমক পাঙথোকপনো?

ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ

**ওজাগী** নুমিৎ অসি ইন্দিয়াদদি সেপ্টেম্বর ৫দা পাঙথোকই। অদুগা মালেমগী ওইনদি নুমিৎ অসি ওক্টোবর ৫দা পাঙথোকনৈ। আফঘানিষ্টান্দদি ওক্টোবর ৩দা ওইনা পাঙথোকই। য়ু এস এদনা মে থাগী অহানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অমদি সিঙ্গাপুরদনা সেপ্তেম্বর থাগী অহানবা ইরাইদা পাঙথোকনৈ। মতৌ অসুম্না মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ওজাগী নুমিৎ অসি তোঙান তোঙান্না পাঙথোক্লবা থেংনৈ। অদুগা ঐখোয়গী মণিপুরদদি সেপ্তেম্বর থাবুম অসিমা ওজাগী নুমিৎসি পংপাঙদা পাঙথোক্লবা থেংনরি। হিয়াঙ্গৈ থা চূপ্পা নিঙোল চাক্কৌবা পাঙথোক্লবা লমদমনিনা করিসু ঙক্লিংঙাই ওইদে। পৈশাবু পায়রবদি, মতমনগা শঙলবদি চহী চূপ্পা বার্থ দে পাঙথোক্লবা করিসু কায়দ্রা হায়না খল্লি। মালেমগী অমদি ইন্দিয়াগী মীয়াম্না য়ানদুনা ওক্টোবর ৫ অমদি সেপ্তেম্বর ৫ হায়রিবা নুমিৎ অনীসিদা পাঙথোকপা থৌরম নৎত্রগদি ঐখোয়গীসিদা পংপাঙদা পাঙথোক্লরিবা কয়াসি ওজাগী নুমিৎনি হায়বা ঐদি য়াজনীংদে। টিচরস দেনি হায়দুনা অকক্লবা নুমিৎ অমা থমদনা পাঙথোক্লরবদি মদু মরন্নাইগী ওইবা টিচরস দে ওইগনি। মে দেবু মে থাগী তাং ১দা তৌদদনা তৌনীংবা তাং অমদা হেক্তা তৌবা য়াগদ্রা? অদু ওইরবদি মণিপুরগীসু ৱাহন্থোক লৈবা টিচরস দে অমা (সেপ্তেম্বরসু থিংঙে হায়, ওক্টোবর ৫দসু কয়া পাঙথোকনীংদবগুম তৌই খরা থেংথবনরা খঙদে) পাঙথোকপা য়াননবা লমদমসিগী লৈহাওগা চুনগদবা অফবা নুমিৎ থবান অমা লেপথোকমিন্নবা অমা চঙলি। টিচরস দেনি হায়দুনা সেপ্তেম্বর থা চূপ্পা মণিপুরগী মহৈলোইশঙশিং পুল্লাং-লাংদুনা লৈহনবদি ঐখোয়গী লুচিংবশিংগী অশোয়বা শোয়দনা ওইরক্কনি। হৌজিক মণিপুরদা মানা মানা থোকপা পাঙথোক্লরিবা ওজাগী নুমিৎ থৌরমশিং অসিনা খুন্নাইসিদা করি মরুওইবা পাউজেলবু পীরিবগে? লমদমসিগী শক্লাইরবা মীওই অমত্তবু নীংশিংহৌনবগী লন্বী ফাৎপসু উদে অমদি লমদমসিগী লাইওইখ্রবা অফাও-অফাওবা ওজাশিংগী খোঙ্গুল লিবগী ৱাসু লৈতে। মরম চাদনা কা হেন্না চাদিং তৌদুনা শিল-লাংলিবা টিচরস দেশিং অসিনা লমদমসি লায়র-তালহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কদৌরি।

তোঙান-তোঙানবা নুমিৎতা শিনজরবসু ওজাগী নুমিৎ অসি পালন তৌবগী পান্দমদি থোইদোক্লা খেন্নরোইদ্রা হায়না খল্লি। খুন্নাইসিদা ওজাশিংনা লৌরিবা মরুওইবা থৌদাং কয়াবু নীংশিংদুনা মখোয়দা তৌবিমল উৎপগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরমনি, নুংগী ৱাহন্থোক্লি। নুমিৎ অসিনা পাল্লিবা পান্দমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরুওইবদি হেন্না হেন্না মতিক চাবা ওজাশিং পুথোক্তুনা মহৈ-মশীন/লাইরিক-লাইশু তম্নবগী কাঙলোনসি হেন্না ফগৎহনবা অদুনি হায়না খল্লি। অমরোমদনা, মহৈরোয়শিংনদি ওজানা মখোয়বু তাকপী-তম্বীগনি অমদি লমজিং-লমতাকপীগনি খঞ্জদুনা লাকচরগা শোমদনা ওজানা নাথৈরপ তৌনা মতম লেনবা মওংদা চথরক্লবদি মাঙজগদৌরিবসি মহৈরোয়শিংনি, ঐখোয়গী খুন্নাইনি। করিগুম্বা ওজাশিংনা মথৌদগী লাপথোক্লকপা থোক্লবদি মদু খ্বাইদগী লাইবক থিবা অমদি য়াম্না লুবা তাঞ্জা হায়বদু ওইগনি।

নাকল অমরোমদনা ওজাগা মহৈরোয়গা লৈনরিবা মরীদু নোংমা-নোংমগী ফৎচিল্লক্তবগুমসু তৌরি। হায়রিবা ফীভমশিং অসি লাকপদগী ওজাশিংবু মশা-মশাগী মথৌদাংদু মশক খঙননবা নৌহৌননা হেক-হেক নীংশিংহন্দুনা অমদি মহৈরোয়শিংনসু ওজাশিংবু খুরুমজদুনা টিচিং-লার্নিংগী প্রোসেস অসি হেন্না ফগৎহন্নবা ওজাগী নুমিৎ অসি পাঙথোক্লবা শোয়দনা ওইরমগনি। নুমিৎ অসিদা মহৈরোয়শিংনা ওজাশিংদা ঙমজবা অচম্বা খুদোলপোৎশিং কৎচদুনা থৌগল তৌজবা অমদি খুরুমজদুনা ওজাদগী য়াইফ-থৌজাল কয়া নীজরি। নুমিৎ অসিদা ওজাশিংনা পূক্লিংদা তয়াং-তয়াংনা খুদোলপোৎশিংদু লৌফম থোক্তব্রা হায়না মহাত্মা গান্ধীনা হায়বীরম্মী। হৌজিক্তি ওজাশিংনসু নুমিৎ অসিবু কদাই ফাওবা পূক্লিং হকচাং য়াওনা ইকায়খুম্নরিবগে হায়বা ৱাফম অমসু লাক্লবনি। খুন্নাইসিদা ওজাগী থাক, ওজাগী খুন্নাইগী মনুংদা লৈরিবা প্রোব্লেমশিং, ওজানা খুন্নাইদা লৌগদবা থৌদাংশিং, মহৈরোয়শিংগা ওজাশিংগা লৈনরিবা মরী অসিনচিংবা ৱাফমশিংসি নুমিৎ অসিদা ওজাশিংনা কয়াম নীংশিংনরিবগে হায়বসি হংবা য়াবা ৱাফমনি। ওজাশিংদি লৌশিংগী মৈরা পায়রিবা, মহৈরোয়শিংবু অচুম্বা লম্বীদা লমজিং-লমতাকপীরিবা মীৎনা উবা লাইনিসু হায়নৈ। অদুবু লাইবক থিবদি, থবক অতৈদি তৌবা ঙমহৌদ্রে/ফংহৌদ্রে, অদুনা ওজা মচা অমতং ওইরগা লেল্লগে, তৌবতবু থিকাদারগুম্না পৈশাদি য়াম্না পায়দবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা ওজা অমা ওইবগী মতিক ময়াই অদুদি য়াওদনা শিনফম ওন্নবা মীওই কয়ানা ওজাগী শিনফমদা চঙশিল্লক্তুনা ফজখ্রবা শিনফম অসিবু মাংথোকপীরে হায়না মীওই কাঙলুপ অমনা লাউরি। লাইগুম্না খুরুম্নরিবা ওজাবু ঙসিদি অদুগুম্লবা চেঙ চগ্রিং খরনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না ফত্তনা অমদি হুন্দুনা ফাওবা ঙাঙনরে। শোমদনা ওজাগী নুমিৎ হেক লাকপদা পূক্লিংদা মওল-মওল খল্লক্লি।

নুমিৎ অসি মহৈরোয়শিংনা ৱানা শেল খাইনদুনা ওজাদা অতাঙ-অতাঙবা খুদোলপোৎ পীদুনা ওজাবু খুরুম্বা, পীজ-পীথক তৌবা, থৌনিবা অমদি য়াইফ থৌজাল নীবগী থৌরমলা নৎত্রগা ওজা খুন্নাইনা ওইনা শিনজবা মখোয়গী রেসপোন্সিবিলিটিস, রোলস, ফঙ্কসন্স, দ্যুটিজ, ইথিক্স, প্রোব্লেম এন্দ প্রোসপেক্টনচিংবা কয়াবু নীংশিংজদুনা এদ্যুকেসন সিষ্টেমবু ফগৎহন্নবা পাঙথোকপা থৌরমলা? অদু নৎত্রগা মহৈলোইশঙগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিনগদব্রা, মহৈরোয় লূপশিং অমদি লৈবাক্কী ওইবা লূপশিংনা শিন-লাংগদব্রা, কনানা কনাগীদমক শিনগদবা থৌরমনো হায়বদু খঙশিল্লক্ত্রে। টিচর দেগী শেনখায়গী মতাংদসু ঐখোয় খন্নদবা য়ারোই। স্কুল, কোলেজগী শেনখায়, ট্যুসন সেন্তর ৪/৫গী শেনখায়, কোচিং সেন্তরগীসু শেনখায়, হোম ট্যুটরগীসু তোঙান্না অমুক তৌগদৌরিবনি। অদু ওইরবদি লায়রবা ইমুংগী মহৈরোয়শিংদি ওজাগী নুমিৎসি শরুক য়াদবা তারিব্রা? ওজা খরদি মখোয় মখোয়না পান্বা খুদোলপোৎশিং মহৈরোয়শিংদগী থৌই হায়নবসু তাই। কদাইফাওবা চুম্বনো হায়বদুদি খঙজদ্রে।

ওজা চাক্কৌবা অমদি মমল তাঙবা খুদোলপোৎশিং ওজাদা পীবগী চৎনবী, শোমদনা ওজানা ক্বেসন য়োনবা, মাগী ট্যুসন সেন্তর মমিং চৎননবা মার্ক ৱাংনা ফংগদবা মহৈরোয় লৈবা, মাগী ট্যুসন সেন্তরদা য়াওদবা মহৈরোয়দু মীরাইবা অসিনচিংবা অনৌ-অনৌবা চৎনবী কয়া অমা লাক্লবা মতমসিদা ওজাগী নুমিৎ পাঙথোকপগী মহয়বু লৈরিগদ্রা হায়না শোয়দনা হংনরমগনি। এ আই আর ইম্ফালগী রেদিও লিলা 'ফিদম' হায়বদু তারুরগদি ওজাগী শিনফম পাম্নদবা অমদি নুংশিদবা কনাসু য়াওরোই। অদুগা অতোপ্পা রেদিও লিলা 'নোংমতং হান্না খঙজরম্লবদি' হায়বদুদা ওজা ওইগদবশিংতনা ওজা ওইবীয়ু, ওজা শাগনু হায়বা পাউজেল কয়া পীরি। খঙদে মোদিজিনসু ওজাগী ইদের্ন্টিটিদি মহৈরোয়শিংনি হায়না অমুক হায়রি। য়াম্না চুম্বা ৱানি। মহৈরোয়শিংনা ফংলিবা অৱাংবা মার্ক অদুখক্তা নত্তনা মখোয়গী লমচৎ-শাজৎ, হকশেল, মিৎয়েং/ৱাখল্লোন, লৈবাকমচা তাবা/তাদবা, মরমদম অমদি মফুরুপ্পু নুংশিবগী ৱাখল, মীনুংশি, মশাগী নাৎ-চৎনবী ঙাকপগী মওং, মহৌশা লাইরেম্বীবু নুংশিবগী ৱাখল্লোন অসিনচিংবা কয়াদু য়েংলগা মখোয়গী ওজাশিং অদু ফিদমনীংঙাই কয়াম ওইবা নৎত্রগা ওইদবা হায়বদু লেপথোকপা অদুম য়াগনি হায়না খল্লি।

ওজাগী নুমিৎকী মরমদা খরগা হেন্না নৈনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা খন্নহৌবা য়াবা ৱাফম অমনা - 'ওজা' হায়বা ৱাহৈসি করম্না ওইখিবা/শেমখিবা ৱাহৈনো? ৱাহৈসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্কা লৈব্রা? মসি খঙবা ঙম্লবদি শিনফমসিগী মরমদা মখা তানা নৈনবদা য়াম্না কান্নগনি হায়না খল্লি। মৈতৈলোল অরিবদা 'শিন্তাকপুরেল' কা হায়বা ৱাহৈসু থেংনৈ। খুন্নাইবু শেম্বীরিবা ওজা খুন্নাইদা ময়ামদগী অহেনবা তলব পীরিবা অসিগী ৱাহন্থোক্তু চপ চানা খঙনা ওজা ওইবশিংনা তৌফম মথৌদাংশিং অদু লৌবীয়ু হায়না লৈবাক মীয়াম্না ওজাগী নুমিৎ পাঙথোক্তুনা ওজাশিংবু ইকায়খুম্নবনি অমদি পূক্লিং থৌগৎপীবনি হায়না লৌবসু য়াই। খুন্নাই অসিনা ওজাশিংদা থল্লিবা থাজবশিংদি - মীওইবা ওইনা পোক্লিবসিগী অমদি পুন্সিগী ৱাহন্থোক, পান্দম্নচিংবা কয়া মহৈরোয়শিংদা চপ চানা, মমুৎ তানা খঙহনবগা লোয়ননা মশা-মশাগী পোকপদা য়াওজরকপা লোৎতুনা লৈরিবা মতিক-ময়াই, শিংবা কয়া মপূং ফানা ফুদোকহনবা অমদি মশা মশাগী চান্নবা শিনফমশিংদা চৎহন্দুনা মায় পাকপা মীওই অমমম ওইনবা লমজিং-লমতাকপীবা, হিমায় চুম্বীবা কয়াদুনি। য়ুনেসকোনা ফোঙবা 'হ্বাট মেকস এ গুদ টিচর' হায়বা ওজাশিংগীদমক ফোঙবা লাইরিক্তুনসু ওজাশিংবু করি করিনো য়াম্না ওইহন্নীংলি অমদি থাজবা কয়া অমসু থম্বগী ৱাফমসি ফোঙদোক্লি। মতাংসিদা য়ু এস এগী অব্রাহম লিঙ্কন্না অদুঙৈ মাগী মচানুপানা তম্বা স্কুলগী হেদ মাষ্টরদা ইখিবা চিঠি অদুগা অমুক নৈনরবদি অহেনবা মঙাল ময়াম অমসু ফংগনি।

নেসনল এদ্যুকেসন এসোসিএসন, য়ু এস এনা পীরিবা মহৈ-মশীন/লাইরিক-লাইশু তম্নরিবসিগী মরুওইবা পান্দমশিং অদুসু নৈনরবদি ঐখোয়গী ওজাশিং অসি চেন্নেল ফজনা ওন্নগনি হায়না থাজে। মীগী লমগীদি থম্বু থমখিসি ঐখোয়গী মণিপুরদা ওজাগী শিনফমসিদা থল্লিবা ইকায়খুম্নবা অসি করি করম্বা থাক্তা লৈরিবগে হায়বদু অমুক্তং থিমিন্নসি। ওজাগী লমচৎ-শাজত্তা অহোংবা কয়া লাক্লিব্রা, শিনফমসিগী ইথিক্সশিংদু ঙাক্লা চৎনরিব্রা, ওজানা থিকা তৌবা, লল্লোনবা, মরুপ হৌবা, টেন্দর তৌবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুবা, মহৈরোয়শিংদা শাগী মিৎয়েং য়েংলকপনচিংবা কয়া অসি নৈনবা য়াবা হীরমশিংনি। মহাক্কী ক্লাসকী মতম অদুখক্তং মহৈতম্ফম শঙদা লৈরবসু মহৈলোইশঙদুগী, মহৈরোয়শিংগী, ওজা খুন্নাইগী ৱারী অমদি এদ্যুকেসন সিষ্টেমগী ৱারীনচিংবা অমত্তা শান্নদবা অতোপ্পা ৱারী-ৱাতাই কয়া শুদুনা মতম লেনবা ওজা য়াম্না লৈরিবনিনা বাইওমেট্রিক্স ফনা পান্দুনসু করিসু কান্নবা পুরকপা ঙমখিরোই। তলব পীদবগী/হেনগৎনবগীদি ওজাশিং থৌনা য়াম্না ফনা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা হেক হেক উবা ফংই। এদ্যুকেসন সিষ্টেমগা মরী লৈনবা অতৈ প্রোব্লেমশিংগীদমক্তি থৌদাং লৌরম্বসি খরা তাঙনা তাবা ফংই। অদুগা শোমদনা ওজাদি মীৎনা উবা লাইনি। মীপুম খুদিংমক ওজানা তাকপী-তম্বীদুনা হৈরকপা, চাউরকপা অমদি মায় পাক্লকপা ঙাক্তনি হায়না হায়নরি। ওজাগী মপান তাঙখিদবা মায় পাকপা মীওই অমত্তা মালেমদা লৈতে হায়নসু হায়রি।

ৱাকশোপ্তা গাড়ী শেম্বীয়ু হায়না থিল্লকপা, স্কুলদা অঙাং শেম্বীয়ু হায়না থিল্লকপগা খেন্নবা য়াম্না লৈ হায়বসি খঙনা মথৌদাং চপ চানা পাঙথোক্লিবা ওজাশিং অদুনি হায়না খল্লি ঐখোয়না মখোঙ পায়দুনা খুরুম্নগদবদি । ঐ ঐগী সবজেক্ট অদুদা মহৈরোয়শিংবু পূক্লিং চিংশিন্দুনা অমদি লুপহন্দুনা তশেংনা পামহন্ননবা, খঙনীংবা অমদি হৈনীংবা, মখা তানা থিজিন-হুমজিন্নীংবগী ৱাখল ফাওহন্নবা লাইরিক খূৎতাক অদুনি ওজা ওইবশিংনা শীজিন্নগদবা অসি। ওজাগী নুমিৎনা হেক হেক লাকপসিদা মসিগুম্বা ৱাফম কয়াসি হেক হেক নীংশিংলকই। লাইবক থিবদি য়াম্না মার্ক ওরিএন্টেট ওইবা ঐখোয়গী এদ্যুকেসন সিষ্টেম অসিদা ওজাশিংনা মহৈ-মরোংদা অমদি উহৈ-ৱাহৈদা হোর্মোন কাপ্পগুম্না মপান থোংদখক্তং ফজবা প্লাষ্টিক্কী নোংমৈ পায়বা মহৈরোয় ময়াম অমা লেপ্তুনা পুথোরকপা অসিনা খুন্নাইসিদা পীরক্কদবা চৈথেং অদুদি ওজাগী নুমিৎকুম্বা অমদা নোংমতা খন্ন-নৈনবগী পাউদি ঙসি ফাওবা তাদ্রি। মতম য়াম্না মাঙহন্দনা ওজাশিংনা মাগী মাগী লৈজবা পাউতাক খরা খরা য়াইফ থৌজাল ওইনা মহৈরোয়শিংদা পীবিরগা চা অমমম থকমিন্নরগা য়াম্না চন্না ওজাগী নুমিৎ পাঙথোকপসি চাওখৎপা লৈবাকমচা তাবগী মওং ওইদব্রা খঙদে, ইরাং ফলাংগী ওইবা মরিং মরাংবা, মরী লৈনদবা থৌরম কয়ানা ওজাগী নুমিৎপু পুমলাং-লাংহল্লে। মমল য়াম্বা কলম, ডাইরি, ফিরোলনচিংবা কয়াদুনা কৈদৌনদোইনো অশেংবা ইকায়খুম্নবা অদুদি উৎতনা। অশেংবা ৱাহন্থোক লৈবা থৌরমশিংতমক পাঙথোক্লবা লূপ কয়া অমা মালেমগী থাক্তা শেমখ্রে। ইন্দিয়াগীসু নেসনল ফাউন্দেসন ফোর টিচরস ৱেলফ্যের কৌবা লূপ অমা শেমদুনা ওজাগী নুমিৎপু নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্ননবা শেমখ্রে। ঐখোয়গী মণিপুরগী ওইনদি লমদমসিগী লৈহাওগা চানবা মখলগী ওজাগী নুমিৎ পাঙথোক্লবা অকক্লবা লূপ অমদি মতম ফাওবা লৈত্রি। লোইশিল্লকপদা থমজনীংবা অমতংনা - ওজাগী নুমিৎতা খ্বাইদগী ফবা ওজানি হায়না খনগৎতুনা মনা-মথুম পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎলিবা অদু অমুক্কা হেন্না ফগৎহন্নবা অফবা ওজা খনবগী ক্রাইটরিয়া অদু খরগা হাপতোক-হাপচিন তৌদুনা অপদেট তৌবা মথৌ য়াম্না তারক্লব্রা হায়বদুনি। অদুগা অসিগুম্বা অফবা ওজা খনবগী থবকসি স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটি খুদিংগী ওইনসু তৌহঞ্জনীংই। সবজেক্ট ৱাইজ, দিষ্ট্রিক্ট ৱাইজ ওইনসু অসিগুম্বা থবকশিং অসি পায়খৎনরক্লবদি ঐখোয়গী এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা অফবা অওনবা খরদি লাক্কদ্রা হায়না থাজে।

## মরোল থোকপা লাই

